# কেরলাগী ৱায়ানাদতা লৌমী সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা রাহুল গান্ধীগা রাজনাথকা ৱাফংনখ্রে





*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* লৈবাক অসিদা হৌজিক লৌমীশিংগী কিনিংঙাই ওইরবা ফিভমগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা রাহুল গান্ধীগী ৱাঙাংনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদগী অকনবা মীচৈ অমা চৈহল্লকখ্রে।

ফিভম অসিগী দায়ত্বদি চহী দিকেদ কয়া গভর্ণমেন্ট চল্লাইখিবা মীওশিং অদুনি হায়না কোংগ্রেসতা শাথিবা চৈথেঙ পীবা অমা ওইনা রাজনাথ সিংহনা খুদক্তা পাউখুম পীখি।

ঐহাক্না কেরলাগী লৌমীশিংগী কিনিংঙাইবা ওইরবা অৱাবা ফিভম অসিদা গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েঙ চিংশিনবা পাম্মি। ঙরাং মক্তদা ৱায়ানাদতা লৌমী অমা মাগী শেন্দোনগী পোৎলম্না মরম ওইদুনা মশা মতোমতা শিজখ্রে হায়বসি হাউস অসিদা তস্বা মহাক থম্মোই শোকই হায়না নেসনেল ইলেক্সনদা মহাক্না মায় পাকিখিবা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অদু পল্লদুনা রাহুল গান্ধীনা লোক সভাদা হায়খি।

শেঞ্জাও পায়বা ব্যুজিনেসমেনশিংদা গভর্ণমেন্টনা কন্সেসনশিং পীরগা লৌমীশিংবুদি মতেং পাংবীদ্রে হায়না মরান শীরদুনা কোংগ্রেস লূচিংবা অদুনা ঈকাইনিংঙাই ওইরবা দবল ষ্টেন্দর্দ অসি তৌরিবা করিগুনো? গভর্ণমেন্ট অসিনা ঐখোয়গী লৌমীশিংবু ইনাকখুনবদগী হন্থনা লৌরিবা করিগীনো হংখি।

লোন রিকোভরিগী মতাংদা কেরলা গভর্ণমেন্টনা লাওথোকখিবা মোরেটোরিয়ম অদু অমুক খন্থনবা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা হায়নবা গভর্ণমেন্টতা মহাক্না অপিল তৌখি। লোন লৌখৎনবগী নোটিশশিংগা লোয়ননা বেঙ্কশিংনা লৌমীশিংদা কিহনবা তোক্নবসু রিজার্ব বেঙ্কতা পাউতাক পীবিয়ু হায়খি।

রাহুল গান্ধীগী ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি– লৌমীশিংগী ওইরিবা ফিভম অসিগীদমক চহী দিকেদ কয়া গভর্ণমেন্ট চল্লাইরকখিবা মীওইশিং অদুগী দায়ত্বনি। লৌমীশিংদা মশা মতোমতা সুইসাইদ তৌবগী থৌদোক অয়াম্বা বি জে পিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা শক্তিঃ পাইদ্রিঙৈগী মমাঙদা থোকখিবনি।

লৌমীশিংগী ৱাথোক অসি হৌখিবা চহী খরদগী হৌরকপা নৎতে মসি মখোয়গী লৈঙাক মতমদগীনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টনা লৈঙাক্কী শক্তি পাইরকখিবদগী লৌমীশিংগী চাগা শরুক ২ হেনগৎনবা ঐখোয়না হোৎনরকখ্রে। কিসান জন ধন যোজননা ফার্মরশিংবু কান্নহনখ্রে অমসুং মখোয়গী শেন্দানগী চাং চাদা ২০–২৫ হেনগৎপা ঙমহনখ্রে হায়না রাজনাথ সিংহনা হায়খি।

## কোংগ্রেসকী নেসনেল মেদিয়া কোওর্দিনেটর ফম থাদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল মেদিয়া কোওর্দিনেটর রচিট সেথ ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ফম অসিদগী থাদোক্নবা চেপিশিনখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ফম থাদোকখিবদগী রচিট সেথসু মাগী ফম অসি থাদোকপনি হায়রি।

## সোনিয়া, রাহুলসু প্রোটেষ্টশিংদা য়াওখ্রে




*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* গোৱাদা কোংগ্রেসকী লোমেকর অয়াম্বা বি জে পিদা চোংশিনখিদুনা অমসুং কেরলাদসু এম এল এ কয়ামরুম ফম থাদোক্লখিবদগী শক্তিঃ মাঙবা য়াবগী ময়া নক্সিলকখিবগা রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধীসু ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা কোংগ্রেস প্রোটেষ্ট অমদা য়াওখ্রে।

ষ্টেট কয়ামরুমদা ওপোজিসন লোমেকরশিংবু মীহৌহন্দুনা চিংথোক্তুনা দেমোক্রেসি হাৎলি হায়না বি জে পিবু মরান শীরদুনা কোংগ্রেস লোমেকরশিংনা মখূৎতা 'সেব দেমোক্রেসি' থাবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা খোল্লাওশিং লাওখি।

ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গোৱাদা কোংগ্রেস লোমেকর ১৫দগী ১০ পার্টিদগী মচেৎ তাখি অমসুং লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা পূন্সিনখি। ২০১৭দা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখিবা সমুদ্রা তোৰ্ব্বান ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোংগ্রেসতা সুপ্নগী লোমেকর ৫ খক্তা লৈহৌরে। লোমেকরশিং অদুগী ৩ থোকপগী শরুক ২না সপ্লিট তৌখিবনা মখোয় এসেমব্লিদগী তোক্লোই।

হৌখিবা থাদা তেলঙ্গনাদসু মসিগা মান্নবা মচেৎ তাবা অমা কোংগ্রেসনা মায়োক্লুখি। লোমেকর ১৮গী মনূংদগী ১২না চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওগী পার্টিদা য়াওখি। এম এল এ ১৮ তোকখিবদগী জনতা দল (সেক্যুলর)– কোংগ্রেস কোলিসন গভর্ণমেন্টনা কর্নাতকাদা হিংবা–চংবগী লান মায়োক্লুরি।

## পাক নুপামচাগী হকচাং ফংলে

*বন্দিপোরা, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* অৱাং কাস্মিরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টকী গুরেজ ভেল্লিদা কিসানগঙ্গা তুরেলদগী পাকিষ্টানগী অঙাং নুপামচা অমগী হকচাং অদু ঙরাং ইন্দিয়ান আর্মিনা লৌখৎখ্রে।

আর্মিনা হোটলাইনদা থবক অদুগী মতাংদা পাকিষ্টানদা পাউ পীদুনা খংহনখ্রে অমসুং মীওইবগী হৌনলোচৎ মতুং ইন্না হকচাং অদু ঙসি গুরেজ ভেল্লি অসিমক্তদা পাকিষ্টানগী ওথোরিটিজদা খূৎশিন্নখ্রগনি হায়রি।

## লেজিসলেটরশিং থুগাইনবা বি জে পিনা শেন অমসুং শক্তি শীজিন্নৈ ঃ ময়াবতি

*লখনৌ, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* বি এস পি প্রসিদেন্ট ময়াবতিনা বি জে পিবু ওপোজিসন পার্টিশিংনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী গভর্ণমেন্টশিং থুগাইনবা হোৎনবগী মরান শীখ্রে অমসুং দিফেক্সন তৌহন্নবা হোৎনবশিংগী মেম্বরসিপ ককথৎনবা অকনবা আইনশিং শেন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।



মহাক্কী ৱাফমশিং অসি কর্নাটকা অমসুং গোৱাদা এম এল এশিং রিজাইন তৌবা অমসুং বি জে পিদা চোংশিনখিবগী অকনবা পোলিটিকেলগী ঈরাংগী থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লকখিবনি।

কর্নাটকাদা লৈঙাক পায়রিবা জে দি (এস)–কোংগ্রেস কোলিসনগী লেজিসলেটর ১৬ ফম থাদোকখ্রে অমসুং গোৱাদা কোংগ্রেস লেজিসলেটর ১০ লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা য়াওখ্রে।

বি জে পিনা শেনগী শক্তি লান্না শিজিন্নদুনা অমসুং ই ভি এম টেম্পরিং তৌদুনা সেন্টরদা অমুক হন্না শক্তি পায়রকখিবনি অদুবু হৌজিক পার্টি অসিনা বি জে পি নৎতবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং থুগাইনবা খোঙজং অমা চংখবা হৌখ্রে। মসি বি এস পিনা কন্দেম তৌই হায়না ত্বিইট অমদা বি এস পি সুপ্রিমো অসিনা হায়খি।শেন অমসুং শক্তি শিজিন্নদুনা কর্নাটকা অমসুং গোৱাদা এম এল এশিং অমুক হন্না থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা বি জে পিগী থৌওং অসি লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিদা অমুবা দাগফম অমনি।

কর্নাটকাদা লৈরিবা জে দি (এস)–কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অদু এম এল এশিং রিজাইন তৌরকখিবদগী কায়বগী ফিভমদা লৈরে। অমরোমদা গোৱাদসু ষ্টেট এসেমব্লিদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা চন্দ্রকান্তা কেবলেকরনা লূচিংদুনা কোংগ্রেস এম এল এ ১০গী গ্রুপ অমা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা পূন্সিখ্রে অমসুং গোৱাগী সিট ৪০ লৈবা হাউসতা বি জে পি মশীং ২৭ শুখ্রে।

২০১৭ এসেমব্লি মীখলদা সিঙ্গল–লার্জেষ্ট পার্টি ওইখিবা কোংগ্রেস হৌজিক সুপ্নগী এম এল এ ৫ খক্তা ঙায়হৌরে।

## লুহোংবগী বস খোঙনূংদা তাবদা মীওই ১১ শোকখ্রে

*বন্দা(য়ুপি), জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* লুহোংবা চৎপা মীওই ৬০ রোম তোংবা বস অমা উত্তর প্রদেশকী বন্দা দিষ্ট্রিক্টকী খামৌরা গোলাইদা খোং অমগী মনূংদা তাশিনখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শোকখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু নোং কন্না চুবা মরক্তা ঙরাং য়ুমশকৈশাগী নুমিদাং অথেঙবদা দ্রাইভর অদুনা বস অদু চুম্না থৌবা ঙমহৌদবদগী থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লুহোংলিবা নুপা অদুগী মপাদুসু অরুবা ফিভমদা শোকপদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তান্না পুখ্রে হায়রি।

# য়ু এসকী এফ–৩৫এ জেটশিং সাউথ কোরিয়ানা শিজিন্নবা থৌরাং অদু নোর্থনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

*সিওল, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* অনৌবা য়ু এস ষ্টেলথ ফাইটর জেটশিং শিজিন্নবা সাউথ কোরিয়াগী থৌরাং অদু শাথিনা খুদোঙথিনীংঙাই ওইবা থবক অমনি অমসুং মখোয় অদু কাপথনবা ঐখোয়বু স্পিসিয়েল আর্মামেন্টশিং তঙাইফদনা শিজিনহনবা তাগনি হায়না শগোলশেল নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়ানা ৱার্নিং তৌখ্রে।

২০১৪দা সহি তৌনখিবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭কী কন্ট্রেক অমগী মখাদা মার্চ থাদা মরুওইবা য়ু এস খোঙলোই লৈবাক অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়ানা মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী এদভান্স ওইবা মিলিটরি এয়ারক্রাফ অমা ওইরিবা এফ – ৩৫এ জেট ২ অহানবা ওইনা ফংখি।

লৈবাক অদুনা ২০২১গী লোইশিলকপা অদুৱাইদা অমেরিকান জেটশিং অদুগী ৪০রোম শিজিন্নবা হৌনবা থৌরাং তৌরি।



জেটশিং অদুগী ৪ থোকপগী শরুক ১ রোমদি চহী অসিগী মনূংদা থবক শিজিন্নবা হৌরবা য়াই।

ফাইটরশিং অদু পুশিল্লকপনা ঐখোয়বু অকনবা থবক লৌখৎহনগদবা য়াম্না খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা থবক অমা ওইগনি হায়বসি সাউথ কোরিয়ান ওথোরিটিজনা ফজনা খঙই হায়না নোর্থ কোরিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ারসকী ইনষ্টিট্যুট ফোর অমেরিকান ষ্টদিজগী মমিং মথা পন্দবা রিছার্চর অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সি এন এগী পাউনা হায়রি।

জুলাই থাখাইদা এফ ৩৫এ অনী অমগসু য়ু এসতগী সাউথ কোরিয়াদা পীরক্লগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। মদু চুমৱ্রা হায়বগী মতাংদা সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মত পীয়ু য়াখিদে।

# মোস্কো রিজনদা লৈবা থর্মেল পৱার ষ্টেসন মৈ চাকখ্রে



*মোস্কো, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* মোস্কো রিজনদা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা পৱারষ্টেসন অমদা অচৌবা মওংদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে অমসুং মীওই ৬তগী ৯ ফাওবা শোকখ্রে হায়না ইনর্জি মিনিষ্ট্র অমসুং রসিয়ান মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে ।

মোস্কোগী অৱাং নোংপোক্তা মায়টিশচি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা থর্মেল পৱার ষ্টেসন–২৭দগী অচৌবা মৈবুলশিং অতিয়াদা পাইখৎলকখিবদু উখি। থৌদোক অদু মমিৎনা উহৌবগী পাউ তন্নদুনা আর আই এ ন্যুজ এজেন্সিনা মৈরিশিং অদু মিটর ৫০ ফাওবা য়ৌনা ৱাংই হায়খি।

ইমর্জেন্সি সার্ভিসেসনা থৌদোক মফম অদুদা ফয়ারফাইটর ১৫০ হেন্না শিজিন্নদুনা চাক্লিবা মৈ অদুবু মুখনবা হোৎনখি, লোয়ননা ফয়ার ইঞ্জিনশিং, হেলিকোপ্টরশিং অমসুং ট্রেনশিং য়াওনা গাড়ী ময়াম অমসু শিজিন্নখি হায়না ষ্টেট টেলিভিজনদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসেসকী ৱাঙাংলোই ঝান্না টেরেখোবানা হায়খি।

থৌদোক অদুদা থংনবা মীয়ান্না লৈনবা মফমশিংদা মৈ অদু শন্দোক্লকপগী খুদোঙ থিনিংঙাই লৈখিদে। পূং ১রোমগী মনূংদা চাক্লিবা মৈ অদু মুখৎপা ঙম্লগনি হায়না ফাইয়ার ফাইটরশিংনা আশা তৌরি।

## পাকিষ্টানদা ট্রেন থেঙ্গাইনবদা ১৪ শিখ্রে

*লাহোর, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা এক্সপ্রেস ট্রেন অমনা খামদুনা লৈবা পোৎ পুবা ট্রেন অমদা থোমজিনবদা য়াদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৭৯ শোকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা প্রোভিন্স অসিগী শাদিকাবাদ তহসিলদা লৈবা ৱালহর রেলৱে ষ্টেসনদা খামদুনা লৈবা পোৎ পুবা ট্রেন অদুদা কুয়েটা তন্না লাকপা আকবর এক্সপ্রেসনা থোমজিনবদগী থোকখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংগী পাউদম পল্লদুনা দোননা হায়খি।

পোৎ পুবা ট্রেন অদু লূপ লাইনদা খামদুনা থম্বনি। মদুদা য়াঙনা থৌরকখিবা পেসেঞ্জর ট্রেন অদুনা মেইনলাইদা চৎপগী মহুৎতা অরানবা ট্রেকতা চংশিল্লকখিবনি।

পেসেঞ্জর ট্রেন–আকবর এক্সপ্রেসনা ফ্রাইট ট্রেন অদুদা থেঙ্গাইখিবা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৭৯ শোকখ্রে হায়না রেস্ক্যু ওফিসিয়েলশিংনা দোন ন্যুজ টিভিদা হায়খি।

কুয়েটা তন্না লাকখিবা ট্রেন অদুদগী পেসেঞ্জর পূন্নমক অদু কুমথহল্লকখ্রে অমসুং ট্রেক শেংদোকপগী থবক চৎখ্রে হায়না দিপুটি কমিস্নার রহিম য়ার খান, জমিল অহমেদ জমিলনা হায়খি।

রেস্ক্যু তৌবগী থবকশিং অদুদা পকিষ্টান আর্মিসু শরুক য়াখি। খুদোঙ থিবা থৌদোক অদুদা আকবর এক্সপ্রেস ট্রেন ইঞ্জিন মপূং ফানা মাঙ–তাকখ্রে, লোয়ননা দাবা ৩সু শোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমসুং প্রসিদেন্ট অরিফ অলবিনা ট্রেন এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখিবদা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

রেলৱেজ মিনিষ্টর শৈখ রসিদ অহমেদনা থৌদোক অদু থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে। মদু থৌশাদবদগী থোকখিবা মাল্লি হায়খি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমূং–মনূংশিংদা লপূা মিল্লিয়ন ১.৫ অমসুং অশোকপা মীওই খুদিংমক্তা লূপা মিল্লিয়ন ০.৫ কম্পেন্সেসন পীনবা লাওথোকখ্রে।

## মাঙখিবা মী মশাগী হুই ১৮না চাখিবা ওইরম্লে

*ৱাসিংটন, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* টেক্সাসকী ভেনস মনাক্কী খূঙ্গং অমদা লৈবা মশাগী চহী ৫৭ শুরবা ফ্রেদ্দি মেক চয়োল খরগী মমাঙদগী থিবা খঙদনা মাঙখিবা অদু মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা লোয়নবশিং –মাগী হুই ১৮ অদুনা চাখোকখিবা ওইরম্লে হায়না জোন্সন কাউন্টি সেরিফ অদাম কিংনা ৱাসিংটন পোষ্টতা ফোঙদোকখ্রে।

মী মাঙখিবা অদুগী মতাংদা সেরিফ'স ওফিস অদুনা খন্নখিবা সেনিয়ার ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মমাঙদা মী মপূম অমবু অয়োকপা শাশিংনা চাখোকপগী পাউ কৈদৌঙৈদা তাখিদ্রি হায়খি।



সেরিফকী দিপুটিশিংনা ফি মচেৎশিং অমসুং মীগী শমশিং অমসুং হুইথি খরা থেঙনরকখিবদগী অশেঙবদু খঙবা হৌরকখিবনি।

মীগী শরুমচেৎশিংসু মীওই সিগী শিজিন্নদ্রবা নাপী–শীংবী হৌজিল্লবা ট্রেল্লর সেল অমদা ফংখি। মাগী অমত্তা ঙাইরবা থাজনিঙাই ওইবা পাউ ফাওনফম অসি চয়োল ২ খুদিংগী মহাকপু ষ্টোরদা পোৎ–চৈ লৈনবা পুবা লাকখিবা ইমূং–মনূং অদুখক্তনি। মহাক মতোমতা খূঙ্গং অদুদা নাইতোম লৈবনি। মহাকপু হিংখোল অদুদা থিবা লাকপদা হুইশিং অদু শাথিবা মওং লৌরকখি অমসুং মফম অদুদা চংহল্লকখিদে।

অদুম ওইনমক দ্রোন ১ ফাওবা শিজিন্নখি অমসুং মফম অদু কূপ্না য়েংশিনখি। অসুন্না মথঙ মথঙ মে ১৫দা মহাক্কী অতোপ্পা প্রোপর্টি অমদা থিজিনবদা দিপুটি অমনা অপীকপা শরু মচেৎ অমা ফংবদগী মহাক থিবদা মায় পাকখিবনি।

# পোক্সো এক্ট কনশিন্নবা বিল কেবিনেটনা য়াখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* অঙাং নুপীমচা নৎত্রগা নুপামচাদা তমথিবা সেক্সচুয়েল এসোল্ট চথবগী কেসশিংদা মরানলৈবশিংদা শিবগী চৈরাক য়াওনা চৈরাকশিং হেন্না কনশিনহন্নবগী ৱাফম পুখৎপা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সচুয়েল ওফেন্সেস এক্ট কনশিনহন্নবগী পান্দম থম্বা বিল অমা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অয়াবা পীখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী হৌজিক চথরিবা মীফমদা অমুক হন্না পুথোক্কদৌরিবা বিল অদুনা পোক্সো এক্টপু চহী ১২ মখাগী নুপীমচাদা চথবা রেপ ক্রাইমশিংগীদমক শিবগী চৈরাক ফাওবা য়ৌনা চৈরাকশিং হেন্না কনশিনহন্নবগী ৱাফম য়াওরিবা ক্রিমিনেল লো এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৮গা মান্নহল্লি।

কিবিনেটনা লোক সভাদা অমুক হন্না পুথোক্কদবা অতোপ্পা মরুওইবা লেজিসলেসন– ট্রান্সজেন্দর পার্সন্স (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস) বিল ২০১৯সু অয়াবা পীখ্রে।

পোক্সো এক্টতা শেমদোক্নবগী পুখৎলিবা ৱারোলশিং অদুনা অঙাংশিংবু পোর্নোগ্রাফিক ওনলাইনগীদমক শিজিন্নবা অমসুং অসিগুম্বা মচাকশিং শন্দোকপা থিংনবা অকনবা চেকশিং তৌনবা ৱাফমসু য়াওরি।

# বোম এটেকতা বি এস এফ লান্মী অমগী মখূৎ ককখ্রে

*কোলকতা, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ইন্দিয়াগা বাংলাদেসকা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা শা–ষণ লোন্না লল্লোনবা বাংলাদেসিশিংনা ঙসি বোম এটেক অমা তৌরকপদা ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মী বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) লান্মী অমা মখূৎ ককখ্রে অমসুং অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে হায়না ফোর্স অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পরগনাজ দিষ্ট্রিক্টতা অঙ্গ্রাইল বোর্দর পোষ্ট মনাক্তা বি এস এফ কনষ্টেবল অনিসুর রেহমনদা য়ামদ্রবদা কন্ট্রিমেদ বোম ২ লংশিল্লকখি অমসুং বোমদুগী মচেৎশিংনা মাগী লংস, লিভর অমসুং ষ্টোমাকতা শোকখি। বি এস এফ লান্মী অদু ইন্দিয়াগী নাকন্দা মফমদুগী মীওইশিংগী মতেঙগা লোয়ননা চংশিল্লকখিবা শা–ষণ হুরান–লল্লোনবা ২৫রোমগী খূৎপু অমনা এটেক তৌরকখিবনি। মখোয় অদু ৱাকোক, শিংজং, থাংপাক অমসুং বোমনচীংবা পায়রকখি হায়না বি এস এফনা হায়খি।

মখোয়না লান্মী অদুবু কোয়শিল্লগা থমখি অমসুং মঙোন্দা কন্ট্রিমেদ বোম ২ লংশিনখি। মহাকপু থুনমক হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি অদুবু মহাক্কী য়েৎ থংবা মখূৎ অদু ককথৎপা তাখি।

জৱান অদুনা গ্যান মাঙলগা তাদ্রিঙৈগী মমাঙদা হুরানবা–খূৎপু অদুদা নোংমৈ মরু রাউন অমা কাপখি। অহেনবা টুপশিং থাজিন্দুনা ফিভম অদু লাকশিনখি। হুরান–লল্লোনবশিং অদু ঙমখৈ ৱাংমা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। মখোয় অমম্বা অমসুং অশোঙবগী খুদোঙচাবা লৌদুনা চেনখিবনি হায়না সিনিয়ার ওফিসিয়েলনা হায়খি।

# যোগ তৌরিঙৈ কার থৌজিল্লকপদা মীওই ৬ শিখ্রে

*জয়পুর, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ* রাজস্থানগী ভারতপুর দিষ্ট্রিক্টতা লম্বী নাকন্দা যোগ তৌরিবা মীওই গ্রুপ অমদা কার অমা থৌজিল্লকপদগী ঙসি অয়ুক মীওই ৬ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

খুদোঙ থিবা থৌদোক অদু কুমহের–ধনৱাদা ষ্টেট হায়ৱেদা করা অদু দ্রাইভরনা চুম্না থৌবা ঙমহৌদবদগী থোকখিবনি।

মীওই খূৎপু অদুনা শাজেন ওইনা অয়ুক্তা খোঙনা চৎপনি অমসুং লমখাংদা লেপ্লগা যোগ শান্নখিবনি হায়না রাঘবীর সিংহ কৌবা পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৪ মফম অদুদা খুদক্তা শিখি। অশোকপা মীওই ২ কোন্না শিখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু চহী ৪৫দগী ৬৫ ফাওবগী মরক্তা লৈবশিংনি।

রাজস্থান টুরিজম মিনিষ্টর অমসুং দীগ–কুমহের এম এল এ বিশবেন্দ্র সিংহনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী অৱাবা তাহৌরবা ইমুংগী মীওইশিংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না লৈখিদ্রবা মীওই খুদিংমক্কী ইমূং–মনূংশিংগীদমক লূপা লাক্ষ ১গী কম্পেনসেসন পীনবা লাওথোকখ্রে।

## GAS TODAY

**R B D Indane**
Booking : 27/06/19
Valid : 16/06/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
Stk : 244, 5kg & 19kg Avail
Time : From 08.30 a.m.

**Canchi Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**R & H Service**
Booking : 26/06/19
Valid : 13/06/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 20/06/19
Sl. No. : 1900
Valid : 17/06/19
Sl. No. : 0951
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 09/06/19
Valid : 05/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 12/07/19
Valid : 24/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 21/06/19
Valid : 16/06/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 08/07/19
Valid : 30/06/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-179**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | 9 | | | 3 | 6 |
| 7 | 9 | | | | 5 | | 4 | |
| | 4 | | 1 | 7 | | | 2 | |
| 5 | | | 2 | | | 4 | | 7 |
| | 7 | | 3 | | | 9 | 5 | |
| 9 | 1 | | | | 7 | | | 2 |
| | | 9 | | | 4 | | 7 | |
| | | 7 | 9 | | | 2 | | |
| 4 | | | | 5 | | | 9 | |

**সনা–সুদোকু – ১৭৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 8 | 4 | 2 | 9 | 5 | 1 | 6 |
| 9 | 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 | 2 | 4 |
| 4 | 1 | 2 | 5 | 7 | 6 | 9 | 8 | 3 |
| 8 | 7 | 9 | 6 | 4 | 2 | 1 | 3 | 5 |
| 1 | 5 | 4 | 9 | 3 | 8 | 2 | 6 | 7 |
| 3 | 2 | 6 | 1 | 5 | 7 | 8 | 4 | 9 |
| 2 | 9 | 7 | 8 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 |
| 6 | 4 | 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 7 | 8 |
| 5 | 8 | 3 | 7 | 1 | 4 | 6 | 9 | 2 |